# রাজমাটা জিজাবাই ত্রোফিঃ মণিপুরনা হরয়ানাবু লাকচনা পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচ এন এস):** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ)গী মীৎয়েং মখাদা ছটিসগরনা যুম্বু ওইদুনা নরায়নপুরদা লৈবা আর কে এম অশ্রমা গ্রাউন্দদা থা অসিগী ১দগী হৌরগা চথরিবা ৩০ রক শুবা সিনিয়র ৱিমেন নেশনল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর রাজমাটা জিজাবাই ত্রোফি ২০২৫-২৬কী ওইনা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা মণিপুরনা হরয়ানাবু লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১০দগী লাকপা টিম ১০না কাঙলুপ অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী গ্রুপ বিগী অহুমশুবা লিগ মেটচ ওইনা মণিপুর অমসুং হরয়ানাগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা মণিপুরনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা মেটচ অদুগী ২৪ শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু য়েৎথংবা কোর্নরদগী নিরমলানা খাইদোরকপা পাসিংগী মতেংনা দাংমৈ গ্রেসনা চনবা ঙমখিবনি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা হরয়ানাদগী মণিপুরনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু মখা তানা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা হরয়ানা টিমনা মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লুবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমদনা লৈখি। অমরোমদা, বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল চনবা য়াবা কাউন্টর এটেকশিং চথদুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদুগী ৫৩ শুবা মিনটতা রেমিনা হৈনা শিংনা খাইদোরকখিবা বোল অমা দাংমৈ গ্রেসনা কন্ত্রোল তৌরগা ওকপা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল চন্নবা কাওশিনখি। হরয়ানাগী কিপরনা বোল অদু ফাবা ঙমহৌদবদগী মেটচ অদুদা দাংমৈ গ্রেসনা মহাক্কী অমসুং টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৮২ শুবা মিনটতা রেমিনা খাইদোরকখিবা বোলগী মতেংনা ভুমিকানা টিমগীনা অহুমশুবা অদুগা মহাক্কী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। টিম অনীগী মরক্তা মখা তানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা হরয়ানাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু মণিপুরনা লাকচনা পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখিবনি। চথরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ওইনা মণিপুরগী অনীশুবা মেটচ থা অসিগী ৬কী পুং ৮.৩০ তাবা মতমদা অসামগা লম্বা তৌনরগনি।

# এস জে সী সঙাইথেল রোদ মায় পাকখ্রে অদুগা কে ৱাই সী অমদি ৱাই এ সী দ্রো চংখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচ এন এস):** পাৎশোই পার্ট ২দা লৈবা পময়াল গ্রাউন্দদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ)না শীন্দুনা মমাঙ থাগী ২৯দগী হৌরগা চথরিবা ৩০ রক শুবা এল শঙ্গিতা দেবী মেমোরিএল ফষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫-২৬তা এস জে সী সাঙাইথেল রোদ মায় পাকখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা কে ৱাই সী অমদি ৱাই এ সী টিম অনীনা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চংখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন অসিগী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা টিম ৭না শরুক য়াদুনা চথরিবা ফুটবোল লিগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৭ শুবা লিগ মেটচতা কে ৱাই সী খুরখুল অমদি ৱাই এ সী য়াইস্কুল টিম অনীমক্না মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখিবদগী মেটচ অদু দ্রো চংখিবনি।


অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দগী ৮ শুবা লিগ মেটচতনা সলাম জুবেনোইল ক্লব (এস জে সী) সঙাইথেল রোদনা এস কে ৱাই সী অৱাং সেকমাইবু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখ্রে। মেটচ অদুদা এস জে সীনা এস কে ৱাই সী থোইদুনা ফুল পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমখ্রে। এস জে সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদুনা মেটচ অদুগী ৬ অমসুং ৫৩ শুবা মিনটতা ইন্দ্রজিৎনা চনখিবনি। চথরিবা ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তাবা মেটচ হয়েং নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা এস ও ৱাই ও উরিপোক কাংচুপ রোদ অমদি বি এম এস সী তৌবুংখোককী মরক্তা লম্বা তৌনগনি।

# এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোল্লো টুর্নামেন্ট মতম খরা য়ৈথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচ এন এস):** মণিপুর হোর্সরাইদিং এন্দ পোল্লো এসোসিএশননা শীন্দুনা থা অসিগী ৭তগী হৌরগা ইম্ফালগী পোল্লো গ্রাউন্দদা চথগনি হায়না তৌরম্বা ৩৮ লক শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোল্লো টুর্নামেন্ট ২০২৫ খুদোংচাদবা খরনা মরম ওইরগা অনৌবা নোটিফিকেসন অমা থোক্লিবা ফাওবা মতম খরগী ওইনা য়ৈথোক্লে।

খুদোংচাদবা অসিগীদমক টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা পোল্লো ক্লবশিংনা ৱারৌবিরোই। অথুবা মতমদা টুর্নামেন্ট অসিগী অনৌবা মতম অমা লেপ্পুনা শরুক য়াগদৌরিবা পোল্লো টিমশিংদা খঙহল্লক্কনি হায়না মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোল্লো এসোসিএশনগী ওনররি সেক্রেটরি জেনরেল টি ঐচ চা মঙ্গিলালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1612**

**GM Gleb Dudin (2583) - GM A.R. Saleh Salem (2640)**
**Fujairah Global Superstar Fujairah City UAE, 2025.08.27**

1.d4 Nf6 2.c4 e6 3.Nc3 Bb4 4.e3 O-O 5.Bd3 d5 6.a3 dxc4 7.Bxc4 Be7 8.Qe2 c5 9.dxc5 Nbd7 10.Nf3 Nxc5 11.O-O a6 12.b4 b5 13.Ba2 Ncd7 14.Bb2 Bb7 15.Rfd1 Qb8 16.Rd4 Rc8 17.Rad1 Nb6 18.h3 Bc6 19.Ng5 Qb7 20.e4 h6 21.Nxf7 Kxf7 22.e5 Nfd5 23.Qg4 Rd8 24.Bb1 Bg5 25.Ne4 Qe7 26.h4 Bxh4 27.Nd6+ Kf8 28.R1d3 Qg5 29.Rf3+ Nf6 30.Qxe6 Rd7 31.Rg4 Re7 32.Qf5 Qxf5 33.Rxf5 Bg5 34.Kh2 Nbd7 35.exf6 Nxf6 36.Be4 Rd8 37.Bxc6 Rxd6 38.Bf3 Rd2 39.Bc1 Rxf2 40.Bxg5 hxg5 41.Rgxg5 Ra2 42. ...

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1611 Solution :**

**17. Ba6+** *The white bishop decoys Black's king. The white bishop deflects Black's king away from protecting the knight.* **Kxa6**

*17...Ka7 18.Qxc7+*

**18. Qxc7 Rb5**

*18...d4 19.Rxa5#*

**19. Rxa5+** *The white rook deflects Black's rook away from protecting the square b6.* **Rxa5 20.Qb6#** *Lolli's mate*

**1-0**

# দি এস এ চান্দেলনা শীন্দুনা চথরকখিবা এ আই এফ এফ 'দি' সার্টিফিকেট কোর্স লোইশিনখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৪ (ঐচ এন এস):** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ) অমসুং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) চান্দেলনা শীন্দুনা চথরকখিবা এ আই এফ এফ 'দি' সার্টিফিকেট কোর্স ঙসি লোইশিনখ্রে।

মমাঙ থাগী ২৯দগী হৌরগা নুমিৎ ৬ নি চুপ্পা লিৱা খুল্লেন সরৈদা লৈবা থুরুল টর্ফতা চথরকখিবা সার্টিফিকেট কোর্স অদুদা নাগালেন্দ, মেঘলয়া, উখ্রুল, সেনাপতি, কামজোং, চান্দেল, তমেংলোং, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল অমদি নোনেদগী লাকখিবা কোচ ২৪না শরুক য়াখি।


# VEHICLES LOAN / PENSION LOAN / EMPLOYMENT NEWS

- # 2/3/4 Wheeler Loan and Used Car ফংবীগনি।
- # State/ Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা পীজরি।
- # Employment News : Office Asst. (Graduate + upto 32 yrs), 2 Wheeler Mechanic, Mechanic Helper, Car Wash Helper, Chicken Centre Helper 2/2, Tyre Fitting Helper অমসুং চেক্কী Mistry, Jugali পামজৈ।
- # 2 Wheeler used vehicles exchangeসু ফংবীগনি।

*Please Contact :* **L.G. Motors**
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : # 9362775475 / #8414081916


HL-B/9834/9 Alt




Title : **Lily**
By : Ahanthem Amaraj
Class : II Roll No. : 1 Sec : B
School : R.B Academy, Lamsang



Title : **Barelina Kapu China & her Party**
By : Ahenbi Sanasam
Class : I Roll No. : 23 Sec : A
School : M.S Global Academy, Thoubal Haokha



Title : **Girl**
By : Alfiya
Class : IV Roll No. : 16 Sec : A
School : Five Star English High School



Title : **Madhubani Painting**
By : Khulakpam Levia
Class : IX Roll No. : 16 Sec : Nepture
School :



Title : **Dancer**
By : Konthoujam Arty
Class : III Roll No. : 11 Sec : Neptune
School : Kindergarten Montessori School



Title : **Scenery**
By : Mehanas
Class : II Roll No. : 47 Sec : A
School : Standard Robarth Higher Secondary School



Title : **Say no to plastic**
By : Moirangthem Lanchenbi
Class : IV Roll No. : 5 Sec. :
School : Thongju Junior High School



Title : **A Rabbit**
By : Moirangthem Moramba Meitei
Class : II Roll No. : 51 Sec. : A
School : Standard Robarth Higher Secondary School




Title : **A Blue Dragon**
By : Moirangthem Salairen Meitei
Class : II Roll No. : 19 Sec. : A
School : Standard Robarth Higher Secondary School



Title : **Postman**
By : Ningthoujam Lamnganbi
Class: III Roll No. : 55 Sec. : E
School : Standard Robarth Higher Secondary School



Title : **Cat**
By : Nongamba Longjam
Class : IV Roll No. : 3 Sec. : Venus
School : Kindergarten Montessori School




Title : **Dolphin**
By : Pamel Irengbam
Class : Sr. KG Roll No. : Sec.
School : Yakai Nature School, Matai



Title : **Scenery**
By : Peebasana Chongtham
Class : V Roll No. : 25 Sec : Neptune
School : Kindergarten Montessori School




Title : **A parrot**
By : Poreinganbi Khunjanmayum
Class : III Roll No. : 57 Sec. : E
School : Standard Robarth Hr. Secondary School



Title : **?**
By : Sm. Amila Sahani
Class : IV Roll No. : 39 Sec. : A
School : Five Star English High School



Title : **Peacock**
By : Velencia Loktongbam
Class : III Roll No. : 4 Sec. : Neptune
School : Kindergarten Montessori School



Title : **Golden Fish**
By : Vikson Thokchom
Class : Nursery Roll No. : Sec. :
School : Kidzee, Palace Compound



Title : **Sagol Kangjei**
By : Candice. T
Class : V Roll No. : Sec. : A
School : Little Flower



Title : **Thoibi**
By : Glory Thingbaijam
Class : V Roll No. : 16 Sec. : A
School :



Title : **Moirang Thoibi Fishing**
By : Aarohi N
Class : V Roll No. : 1 Sec. : A
School :

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্লীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com